**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-02-2026)**

**সিতারমন ঃ** কেন্দ্রগী সধারন বজেট ২০২৬-২৭ ঙসি সংসদতা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোক্লগনি। লোক সভাদা সধারন বজেৎ পুথোক্লবা মতুং মসিগী কোপি অমা রাজ্য সভাদা পুথোক্কনি। ইং কুমজা ২০১৯ দা ফম অসি হেক পায়রকপদগী শ্রীমতি সিতারমন্না থংন-থংননা বজেৎ পুথোকপা অসি হন্দক্কী অসিগা ৯ লক শুবনি।

বজেটকী দোক্কুমেন্টশিং সংসদতা মসিগী ৱারোল পীরবা মতুং মোবাইল এপপ অমসুং ৱেব সাইটতা ফংগনি।

বজেটকী দোক্কুমেন্টশিং সংসদতা মসিগী ৱারোল পীরবা মতুং মোবাইল এপপ অমসুং ৱেব সাইটতা ফংগনি। বজেৎ পুথোক্ত্রিঙৈ মাংওইননা শেল থুম মন্ত্রিনা ইকোনোমিষ্টশিং, ত্রেদ য়ুনিয়ন, শিক্ষা অমসুং হকশেলগী লম, এম.এস.এম.ইনচিংবা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা খঙ হৈরবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱা খন্নখি।

সধারন বজেট পুথোক্লবা মতুং শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা কলেজ মহৈরোই ৩০ রোমগা উন্নদুনা ৱারী শাগনি। থৌরাং অসিগী মখাদা কলেজ মহৈরোইশিংনা লোক সভাগী গেল্লেরিদগী কেন্দ্রগী বজেৎ পুথোকপা অদু হকথেংননা য়েংগনি।

**ৱেটলেন্দ (এল) ঃ** ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দগী থৌরম মনিপুর সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা শিনদুনা রাজ্য থাক্কী থৌরম হয়েং ইম্ফাল ইষ্টকী য়ারলপাৎতা পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিগী হীরমনা- ৱেটলেন্দ এন্দ ত্রেদিসনেল নোলেজঃ সেলেব্রেটিং কলচর হেরিটেজ হায়বসিনি।

য়ারলপাৎতা ৱেটলেন্দ ভরচুয়েল ম্যুজিয়ম হাংদোকপা অমসুং টোপ দুসেরা

ভিলেজপু ক্লাইমেট রিজিলেন্ট ভিলেজ ওইনা লাউথোকপা, ফোটো ইগজিবিসন অমদি ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেবেল সিম্পোজিয়মদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

**নাগালেন্দ (এল) ঃ** নাগালেন্দগী মুখ্য মন্ত্রি-নৈফিয়ু রিওনা পোকপা অমসুং শিবগী অরিবা রেকোর্ডশিং দিজিটাইজেসনগী থবক হৌদোকখ্রে।

নাগালেন্দগী সরকারগী সেক্রেটরি, ইকোনোমিক্স অমসুং ষ্টেটেটিক্সকী দাইরেক্তর অমদি অতৈ বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিং য়াওবা থৌরম অমদা কোহিমাদা থৌরাং অসি হৌদোকখিবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নৈফিয়ু রিওনা হায়-খোঙথাং অসিনা মীয়ামদা অচুম্বা অমদি মপুং ফাবা ই-পাউশিং ফংহনবা ঙমহনবগা লোয়ননা মরুওইবা দাটাশিং মাঙহন্দনা থম্বা ঙমহল্লগনি।

**সাইকলঃ** অন্ধ্র প্রদেসকী মুখ্য মন্ত্রি-এন. চন্দ্রবাবু নাইদুনা ই-সাইকল লিশিং ৫,৫৫৫ পুং ২৪ গী মনুংদা পীদুনা অনৌবা গেনিস ৱার্ল্ড রেকোর্ড থম্বা ঙমখ্রে। ই-সাইকলশিং অসি মহৈরোই য়াওনা নুপীশিংদা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রিনা খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী নাইদুনা হায়-ই সাইকলশিং অসিনা নুপীশিংগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা মতেং পাংদুনা থা অমদা লুপা লিশিং অমদগীনা লিশিং ১,৫০০ ফাওবা তুংশিনবা ঙমহল্লগনি। মসিনা অকোইবগী ফিভম কনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মদুগী মমাংদা, মুখ্য মন্ত্রিনা ই-সাইকল রেল্লি অমসু লমথাখি।

**পিএম ঃ** সান গুরু রবিদাসকী ৬৪৯ শুবা মপোক নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পঞ্জাবতা চৎকনি।

শ্রী মোদিনা অদমপুর ইয়ারপোর্টপু শ্রী গুরু রাবিদাস জি ইয়ারপোর্ট হায়না

নৌনা মমিং ওল্লে হায়না লাউথোক্কনি। গুরু রাবিদাসকী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা ইয়ারপোর্ট অসি মহাক্কী মমিংদা ওন্থোকপনি।

তুংদা, পধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লুধিয়ানাদা লৈবা হরৱারা ইয়ারপোর্টকী তর্মিনেল বিল্ডিংশিং শঙ্গাগনি।

**প্রগতিঃ** ফ্লেগসিপ প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা প্রো এক্তিব গভরনান্স এন্দ টাইমলি ইমপ্লিমেন্টেসন (প্রগতি) গী ৫০ শুবা মীফম পাঙথোকখ্রে। প্রগতি অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ২০১৫ দা হৌদোকখিবনি। মসিনা লৈঙাক সাসনদা হেন্না মতেং পাংবগা লোয়ননা মীয়ামগীদমক্তা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং মপুং ফানা য়েংশিনবা ঙম্লি।

কেন্দ্র, রাজ্য অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিংনা দিজিটেল ইন্টরফেস অসিগী খুত্থাংদা অমত্তা ওইনা তেংবাং পীনদুনা পুন্না থবক তৌমীন্নরি। প্রগতিগী খুত্থাংদা রেলৱেজগী প্রোজেক্ট কয়া খুমাং চাউশিনবা ঙমলে। মসিনা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী থবক থৌরমশিংদা চাউনা মতেং পাংদুনা লম কয়াদা কান্নবা পীরি।

**এআইঃ** আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্সদা য়ুন্সফম ওইবা ইন্দিয়া এ.আই-দিজিটেল ইন্দিয়া ৱার্কশোপ হায়বসিদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈবা মীফম অমা ঙরাং গেংতোক্কী চিনতন ভাবনদা পাঙথোকখ্রে। মসি ন্যু দিল্লিদা থা অসিগী ১৬ তগী ২০ ফাওবা চথুগদৌরিবা ইন্দিয়া এ.আই. ইমপেক্ট সমিট ২০২৬ কী মাংওইননা পাঙথোকপনি।

মীফম অসি কেন্দ্র সরকারগী ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকে ালোজি মন্ত্রালয়গী মখাদা নেসনেল ই-গভরনান্স দিভিজননা সিক্কিম সরকারগী ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি বিভাগকা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি। মীফম অদুগী টেকিকেল সেসনশিংদা এ.আই. অমসুং মসিগী শিজিন্নফমগী মতাংদা অখণ্ড অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি।

ৱার্কশোপ অসিনা পোলিসি মেকরসশিং, এদুকেটরশিং, মহৈরোইশিং অমসুং টেকোলোজিষ্টশিংদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্সকী মরুওইবা অমদি কান্নবশিং খঙহনবদা মতেং ওইরগনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-মালেমগী ওইনা টেরোরিজম হায়বসি হীরম অমত্তা য়াশিন্নবা তৌরোইদবনি। ন্যু দিল্লিদা চথরিবা অনিশুবা ভারত অমসুং আরব লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগী মীফমদা ৱাফম অসি ডা: জয়শঙ্করনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়-ভারত অমসুং আরব লৈবাকশিংদা টেরোরিজমগী চৈথেং চাউনা ফংলি। মহাকা হায়-ঙমখৈ লান্না চথরকপা টেরোরিজমগী থৌওংশিংনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরুপ-মপাং ওইবগী লম্বীদা চাউনা অকায়বা পীরি। মসিবু মালেম পুন্না থেংমীন্নবা তঙাইফদে।

মীফম অদুদা লেপখিবা দিল্লি দিক্লারেসন অমসুং ইগজ়্কিটিব প্রোগ্রাম ফোর ২০২৬-২০২৮ না ভারত অমসুং আরব লৈবাকশিংগী পার্টনরসিপতা অচৌবা অহোংবা কয়া পীবগা লোয়ননা মরী হেন্না চেৎশিলহল্লগনি। লৈবাকশিং অসিনা ট্রেদ, ইনর্জি, টেকোলোজি, হেলথ, কন্নেক্তিভিতি অমসুং মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিলহনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা হীরম কয়াদা খন্নখি।

**মহারাস্ত্রঃ** ভারতকী অহানবা ভারত রতা-ডা: বাবা সহেব অম্বেদকর এদভোকেট ট্রেন্নিং এন্দ রিছার্স সেন্টর, নবি মুম্বাইগী তলোজাদা ঙরাং হাংদোকখ্রে।

মহারাস্ত্রগী মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফরনাবিচ অমসুং ভারতকী হান্নগী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস বি.আর. গবাইনা পুন্না সেন্টর অদু হাংদোকখিবনি। মসি মহারাস্ত্র সরকার অমসুং গৱা বার কাউন্সিলনা পুন্না লিংখৎপনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রি-ফরনাবিচনা হায়-সেন্টর অসিনা

আইনগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি। মসিনা আইনগা মরী লৈনবা মহে মশিং অমসুং কোর্ট রুমগী প্রাক্তিসকা লৈনরিবা অহোবশিং অদু মেনশিনবা ঙমহল্লগনি।

**ক্রিকেটঃ** ভারত অমসুং ন্যুজিলেন্দগী মরক্তা শান্নবা টি-টৌইন্তি ক্রিকেটকী ঙরাং তিরুবান্তপুরমদা শান্নখিবা মঙাশুবা মেটচতা ভারতনা ন্যুজিলেন্দবু রন-৪৬ তা থোইখ্রে। মেটচ মঙাগী সেরিজ অসিদা ভারতনা মেটচ মরি মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কোকোমিনা লুচিংদুনা মনিপুর কনবা খোঙচৎ, খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী মীওই লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউ ওইনা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা চাউনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-ইম্ফালদা মীওই লিশিং কয়ানা মনিপুর কনবা খোঙচৎ চৎখ্রে। মার, পাইটে, ৱাইফৈগী মীওইশিংসু মনিপুর অপুনবা শক্তমগীদমক লেপলি হায়না পাউ ফাওরক্লে হায়বা খুরাইজম অথৌবগী ৱাফম অসিনা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা চাউনা ফোংলি। চত্থরক্লিবা প্রোক্সি ৱার থিংমিন্নসি হায়না থাদৌ ইনপী মনিপুরগী সেক্রেটরি-মাইকেল লমজাথাং হাওকিপনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউ অসিগী মনুং চন্না সব হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

তম্পাক্কী তুরেলশিং ঈচেল তপশিল্লক্লে হায়বা পাউ পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মনিপুরগী বজেট মার্চ ১০ দা লোক সভাদা পুথোক্লবা য়ারি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা

ফোংলি।

লুপা ৫০ গী নো-জ্‌দিসিএল ষ্টাম্পশিং লুপা লিশিং ১,২০০ দা য়োল্লে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। রুল্লিং এম.এল.এশিং হয়েং দিল্লিদা কৌরক্লে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মরৈবাক্কীদমক মী লাখ হেনবনা মনিপুর কনবা খোঙচৎ চৎখ্রে, থাউ গ্রাউন দগী মীফমদা মী লাখ হেনবনা অমত্তা ওইনা ৱারেপ ৮ লৌখ্রে। কুকি হায়বা ফুরুপ লৈতে, মীতোপ ওইনা চংল্লক্লগা মনিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবশিং অসি কুকিনি হায়না মাইকেল মলজাথাং হাওকিপনা ফোংদোকপা ৱাফমনা পোকফম পাউচেগী মরুওইবা পাউ ওইনা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

লৈঙাক পায়রিবা লুচিংবশিংসু রিলিফ কেম্পতা অমুক্তা লৈবিয়ু, মতমদুদা ঐখোয়গী অৱাবা খংগনি হায়না লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা ফোংদোরকপা ৱাফম অমা পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

বি.জে.পি. অমদি মসিগা চৎমীন্নরিবা দলশিংগী এম.এল.এশিং উন্নবগীদমক দিল্লিদা কৌরক্লে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। লমদম অসিগী য়েলহৌ পান্থী অমা ওইরিবা মোনশাউবীদা ন্যুত্রেন মরাং কায়না য়াওই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে হায়বা পাউ পাউ চে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

য়েলহৌ ফুরুপশিংগী য়াল্লবা মীয়ামনা শরুক য়াদুনা মনিপুর কনবা খোঙচৎ চৎখ্রে। মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনরগা সু লৌথোক্কদবনি হায়বা য়াউনা ৱারেপ ৮ লৌমীন্নখ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী বেন্নর হেদলাইন ওইরি।

লৈঙাক শেমবগীদমক বি.জে.পি. অমসুং বি.জে.পিগা চৎমীন্নরিবা এম.এল.এশিং হয়েং ফাওবদা দিল্লি য়ৌরকবা খঙহল্লকখ্রে হায়বসিনা সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ঐখোয়গী অরুবা লাইফমলেন ওইরিবা কৌব্রু অমদি থাংজিং খুভমদা চংবা

ঙমদবা হায়বসি ঐখোয়গী অশোনবনি হায়না এম.এল.এ. লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফোংদোরকপা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সুনেত্রা পৱারনা মহারাস্ত্রগী অহানবা নুপী উপ মুখ্য মন্ত্রি ওইরে হায়বা পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।